# কোনু লাইরেম্বী মশাইগোন, লৈরোন্নুং অমদি অতৈ শৈরেং নৈনবা লাইরিক ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস): নোহাকোলগী লৈরোন্নুং ২০৬শুবা অমসুং অতৈ শৈরেং নৈনবা ২১০শুবা শরুক অমা ওইনা কোনু লাইরেম্বী মশাইগোন লাইশ্রমচা তোতোনা ইবা লাইরিক অমসুং লৈরোন্নুং অমদি অতৈ শৈরেং লৈননবা ডা. সরতচন্দ্র লোংজাম্বনা ইবা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা ইম্ফাল শঙাইথেল লম্বী, হাওরং কৈথেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা মণিপুর লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমী ন্যু দেল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা চীফ গেষ্ট অমসুং নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. এল শশীকুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। ময়াং লাংজিং জিলা পরিষদ মেম্বর কে সোহোদেব, ফুমলৌ জি পিগী প্রধান এম মনিকাচন্দ, সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন এ ওকেননা স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

কোনু লাইরেম্বী মশাইগোন লাইরিক্কী অইবা লাইশ্রমচা তোতোনা হায়খি, লাইরিক অসি ফোঙজখিবসি ঐনা হৈ শিংলে হায়না ইগে খল্লগা ইখিবদি নত্তে। অদুবু কোনু লাইরেম্বীদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা চৎচরুবা মতমদা থেংনরকপশিং অদুদা ইজখিবনি। মরমদি হৌজিক লৈরিবা মতমসি চীংমী তম্মী লাপথোক্লরকপা মতমনি। অদুগীসু মথক্তা মহৌশাগী খল কায়থরকপা অসিনা মীওইবদা অচৌবা চৈথেং অমসু লাক্লে। মরমদি কোনু লাইরেম্বী মফমসি লিয়াংমৈ কবুইশিং তাদুনা লৈরম্মী। লম্মৈ থাখিবা উকং মরূ ফুক্লা পুংমুমুনা লৈরম্বদা থম্মোয় শোকখি হায়খি।

লৈরোন্নুং অমদি অতৈ শৈরেং নৈনবগী অইবা ডা. সরতচন্দ্র লোংজাম্বনা হায়খি, ক্রিটিসিজম হায়বসিদা সাহিত্যকার খরনা খঙদবা খরসু য়াওব্রা হায়না খল্লি। ক্রিটিসিজমদা সাহিত্যকারশিংনা খরদং ওইরবসু খঙবীনবা হায়দুনা হোৎনজবনি। এসে খুদিংমক্কী অরোইবদা রিফরেন্স অমমম পীরি। মসিনা তাকই ক্রিটিসিজম হায়বদু করিনো অমদি রিছার্স পেপর হায়বসি ক্রিটিসিজম য়াওদ্রগদি অমুকসু রিছার্স পেপর ওইদে। অদুগা ৰারেংদা ইরিবা শরুকশিংসি ক্রিটিসিজম কৌবা য়াদে। মরমদি ৰাখলনা শাগৎপা ফজবা কলানচিংবা হাপচিনবা য়াই। অদুগা ক্রিটিসিজম হায়বসিদদি হাপচিনবা য়াদে। মসিদি ইরিবা মমিং মথানচিংবা, শক তারিখনচিংবসু লানবা য়াদে। কলপনানচিংবসু হাপচিনবা য়াদে। ক্রিটিসিজমগা মরী লৈনদবা অমত্তা হাপ্পা য়াদে। অইবা মশক তাক্লবা হোৎনগদবনি। হৌজিক্তি আই টিগী সেক্টরদা চাওখৎলকপা ওইবনা অতোপ্পা মীওইদগী হুবনচিংবা হায়বসি য়াম্না লায়না খঙবা ঙম্লে হায়না মহাক্না থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হেপাটাইটিস বি অমসুং সীগী এৱ্যের্নেস অমদি দিটেক্সনগী প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১০ (ঐচএনএস): মেদিকেল সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশনা শীন্দুনা ভাইব্রিশ ফার্মাসিয়ুটিকেল কম্পেনিগী শেন্থং মখাদা এৱ্যের্নেস এন্দ দিটেক্সন ওফ হেপাটাইটিস বি এন্দ সীগী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগা লোয়ননা টেষ্ট তৌবগী থৌরম অমা নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী হেদ ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা রিবন কত্তুনা হৌদোকপগা লোয়ননা হেপাটাইটিস বি অমদি সীগী টেষ্ট তৌবগী থবক মখা তানা চৎখি। মেদিকেল সেল বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কনভিনর ডা. কে এস ঐচ কালানা থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা এৱ্যের্নেস অমসুং টেষ্ট তৌবা অসি বি জে পিগী মরু ওইনা নহাশিং অমসুং নুপীশিংগী খল্লগা পাঙথোকপনি। নহা ওইরিবশিংনা ঈ কৎপা অমদি ঈ পীবগী থবক য়াম্না কন্না চঙশিল্লক্লি। মরম অদুনা মশা মশানা ৰাখল তারগা এৱ্যের্নেস ফংদুনা হেপাটাইটিস এ অমদি সী য়াওরগদি ঈ পীবদা মশানা খঙনা অতোপ্পা মীওইদা ঈ পীদনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মরু ওইনা নুপীশিংনসু যূম পানবদা মীরোল্লবা মতমদা হেপাটাইটিস বি অমদি সী য়াওখ্রগদি অৱাবা কয়া তাদনবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। করিগুম্বা মীওই অদুদা অঙনবা মতমদা হেপাটাইটিস বি অমদি সী লৈরে হায়দুনা খঙহৌরবদি মতম চানা লায়েং চথুরবদি লায়না অসিদগী কনবা ঙমগনি। করিগুম্বা লায়েংহৌদ্রবদি চহী ২০গী মতুংদদি লিভর নাবা, লিভর সিরোসিস ওইবা নৎত্রগা লিভর ফেল ওইবগী থৌওং কয়া থোকহল্লক্কনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা অৱাবা থৌদোকশিং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মীৎয়েং মখাদা থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা হেপাটাইটিস পোজিটিভ ওইবা কয়া লৈবগে হায়বা খঙনবসু হোৎনবনি।

থৌরম অদুগী মখা তারকপা ওইনা রাজ মেদিসিটিদা কন্সলটেটিভ মেদিসিনগী থৌ পুরিবী ডো. তম্ফাসনা ৱারেকপমনা ফোঙদোকখিবদা হেপাটাইটিস বি অমদি সী হায়বসি লিভরদা শোকহনবা লায়না অমনি। হেপাটাইটিস হায়বসি মেদিকেল টর্মদা হায়রগদি ইনফোর্মেসন ওফ লিভরনি। লিভরদা নাহল্লিবা লায়না অসি হেপটাইটিস কৌই হায়না মহাক্না থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখি।

# রামা ফাউন্দেসনন চেঙ্গুমগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেসননা মশরূম কল্টিভেসন টেক্নোলোজি অমসুং স্পাওন প্রদক্সনগী মতাংদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা থা অসিগী ১২দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরি। ৱাফম অসি ফাউন্দেসন অসিগী পি আর ও নোঙানবনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি ইনকম জেনরেসন তৌনবা অমসুং ইশানা ইশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা লীদরশিপকী ক্বালিটি লৈহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

মসিদা লন্নাই মীওই/সেল্প হেল্প গ্রুপ/ওর্গনাইজেসন/ফার্মর ক্লবনচিংবনা মখোয়গী বাইও দাটাশিং থা অসিগী ১২গী মমাঙদা ফাউন্দেসন অসিগী ওফিসতা সবমিট তৌরকপা য়াগনি নৎত্রগা টেলিফোন নম্বর ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২দগী অকূপ্পা মরোলশিং খঙবা য়াগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ফাওন্দেসন অসিগী মায়কৈদগী অহেনবা খুদোংচাবশিং সেদ্যুল্ড ত্রাইব/সেদ্যুল্ড কাষ্ট/দিসএবল পর্সনশিংদা পীবগা লোয়ননা ত্রেনীশিংদা মার্কেটিং অমসুং ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্টসু পীবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিককা মরী লৈননা হেল্থ চেকঅপ অমদি এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামসু পাঙথোক্কনি।

# অয়ুশ ইম্ম্যুন প্লস পাওদর পীরকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা অয়ুশকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা: এনজি মেম্মনা উরিপোক অচোম লৈকায়দা লৈবা নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ ইম্ফাল ব্রাঞ্চতা ইম্ম্যুন সিষ্টেম কনখৎহন্নবা অয়ুশ ইম্ম্যুন প্লস পাওদরশিং পীরকপদা কোর্পোরেসন অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ম্যুন কনখৎনবা পাওদরশিং অসি লমদম অসিগী মনা-মশীঙ অমদি হৈরানা শেম্বগী মথক্তা ফসাইনা সর্টিফায় তৌরবনি হায়রি।

# এম আই দিপার্টমেন্টকী ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসনগী থৌপুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এসোসিয়েসন (এ এম এম আই দি ঈ এ), লম্ফেল-পাৎকী অনৌবা থৌপুবশিং খনখ্রে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি এন ইঙোচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিগী নৌনা থৌ পুবশিং ওইনা খল্লবশিং অদুদি- এস সঞ্জিৎ, প্রসিদেন্ট; কেএসঐচ দ্বিজমনি, ভাইস প্রসিদেন্ট; এন ইঙোচা, জেনরেল সেক্রেটরি; টি প্রিয়োব্রতা, এদিসনল জেনরেল সেক্রেটরি; টিঐচ রাজেন মীতৈ, ত্রেজরর; ঐচ বালেশ্বর, এদভাইজর অমসুং ওদিটরশিংদা- কেঐচ ন্যুতন অমসুং আর কে অন্তরবানিনি হায়রি। অদুগা এসোসিয়েসন অসিগী একজিক্যুটিভ মেম্বরশিং ওইনা খল্লবশিংনা- এ রহমন, এল শরত, এমদি গাফর, এল শ্যাম মীতৈ, আই বিরলাল, টিঐচ সরজু, সিঐচ হেম্বা, এন রাজেন, টিঐচ ভোগেন, টিঐচ কেনেদিনি হায়রি।

নৌনা খল্লবা থৌপুবশিং অসিনা কুমজা ২০২১-২০২২গী এসোসিয়েসন অসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

# লৈঙাক্লা লায়রবশিংদা লেম্না চেঙ অমসুং লম পীরগা য়ূমসু লেম্না শাবীয়ু

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী ন্যু চেক্কোন রোদকী সিংহ পল্লিসিটি বিল্ডিংদা লৈবা ওল মণিপুর দলিত দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন্না মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লায়রবা ইমুংশিংদা চাননবা চেঙ লেম্না পীয়ু হায়বগা লোয়ননা লাম লৈজদ্রবা ইমুংশিংদনা লেম্না লম পীদুনা অমসুং লেম্না য়ূম শাবীনবা থৌরাংশিং পায়খৎপীয়ু। ৱাফম অসি এসোসিয়েসন অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি টি ইনাওচা মীতৈনা থোরকখিবা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, হায়রিবা থৌরাংশিং অসি মালেমগী ওইনা লায়রবশিংগীদমক চৎনরিবা লোনচৎ অমনি। হীরম খূদিংমক্তা লায়রবা ইমুংশিংবু মতেং পাংদুনা শৌগৎপীয়ু। লোয়ননা থৌরাংশিং অসি লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা হিংবদা ৱারবা মীওইশিংবু মালেম অসিদা হিংহনবীয়ু হায়রি।

লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্কদবা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম ২০সু লাউথোক্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লম লৈজদবা দলিত মেম্বরশিংদা লম লেম্না পীদুনা পাট্টালেন্দ ওইহনবা, য়ূম-কৈ লৈজদ্রবা দলিত মীওইশিংদা লেম্না য়ূম শারগা লৈহনবা অমদি লেম্না মৈ-ঈশিং পীবা, লায়রবা ইমুং অমদা মশাগী মহৈগা চানবা থাক্তা লৈঙাক্কী থবক অমা পীনবা হোৎনবা, পাখ্রা-লুখ্রা ওইবা তারবদি মখোয়গা চানবা লৈঙাক্কী থবক অমা পীনবা হোৎনবা, পাখ্রা-লুখ্রা ওইরবদি অথুবা মতমদা মশাগী হিংজনবগীদমক বেঙ্কতগী লোন ফংহন্নবা হোৎনবা, দলিতকী ইমুংশিংদা য়াম্না অহোংবা মমলদা চেঙ, হৱাই, কেরোসিন, গ্যাস পীনবা হোৎনবা, লেম্না লায়েংবা অমসুং হীদাক লেম্না ফংহনবা, দলিতকী ইমুং ৫০০ লৈবা মফমদা লৈঙাক্কী লায়েংশঙ ১, মহৈলোয়শঙ ১, শান্নবুং ১, লৌরুংশঙ ১ লৈহনবা, মীয়াম তিন্নফম কম্যুনিতি হোল ১, থক্লবা ঈশিং পুখ্রি অচৌবা অমা থম্বা অমসুং পুলিস ষ্টেসন অমা লৈহন্নবা হোৎনবা, দলিতকী ইমুং অমগী মীওই অমনা ঊ পাম্বী ১০০/১০০ থাহনবা, লৈবাক অসিদা লৈরিবা দলিতশিংগী ওইনা চীং-তমগী অহাংবা লমশিংদা খুল শেমদুনা লৈহন্নবা হোৎনবা, হিংবদা চঙবা ফৌ, মনা-মশীং থাদুনা হিংনবা হোৎনবা, মণিপুরগী চীং-তমগী দিষ্ট্রিক্টশিং চাওখৎহন্দুনা মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনবা, লৌফমশিং কন্নবা হোৎনবা, ষ্টেট অসিগী চাকহাও পোইরৈতোন পুথোক্তুনা মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনবা, মীহৌরোলদগী লৈরক্লবা ফৌ মখলশিং মুত্তনবা হোৎনবা, অরিবা লাইফমলেনশিং থিগত্তুনা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবা, লোনচৎ-শাজৎ অমদি ইনাৎ কন্ননবা হোৎনবা, মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনবা অমসুং মণিপুরগী ঙমখৈ ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনমিন্নবা অমদি লৈবাক অসিগী অরিবা মহৈলোয়শঙশিং লেংদনা লৈহন্নবা হোৎনবনি হায়রি।

# সী পি আইগী বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): সী পি আইগী বিষ্ণুপুর অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কনভেন্সনশিং দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসশিংদা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এম এস সী/সী পি আই) গী ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচীংদা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা ডা. এম নরনা ৱাঙাঙলোই ওইদুনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিদা পার্টি অসিনা মীয়ামগীদমক তৌরম্বা থৌদাং অদুনা মণিপুরবু খরদং ওইরবসু মমায় চুম্না চৎপা ঙম্লিবনি। লোয়ননা সী পি আইবু মীয়ামগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা পাৱর শীজিন্নবা ঙম্বা পার্টি অমা ওইহন্নবা মীয়াম্না হেন্না থৌনা হাপফম থোকই। মদু নৎত্রবদি লৈবাক অসিগী মীয়াম অশিবগী খয়াৎতা তাখ্রগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওফিসতা পাঙথোকখিবা কনভেন্সন অদুদা কমরেদ এন জি মংলেম অমসুং কমরেদ এস ইবোহল অনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। লোয়ননা পার্টিগী ষ্টেট ইন চার্জ এম জয়কুমারনা মরু ওইবা থৌরম হৌদোকপগী ৱারোল পীখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টি অসিগী সেক্রেটরি কমরেদ সোতিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা লমদম অসিগী লৌমীশিংগী ফীভম ফগৎহন্দনা লৈবাক অসি চাওখৎহনবা হায়বসি ওইথোক্লোই। অদুবু লৈঙাক্লা লৌমীশিংবু নম হারগা করবারৱালাশিংদা মীয়ামগী ভাগ্য বিধাতা শিন্নরিবা অসিনদি লৈবাক মাঙখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অসি হৌখিবা লৈঙাক্কী মতমদা ফুলফ্লেজেদ দিষ্ট্রিক্ট ওইনা হাংদোকখ্রবসু অতোপ্পগা মতম চপ মান্ননা হাংদোকমিন্নখিবা দিষ্ট্রিক্টকা মান্ননা চাওখৎহল্লমদবা অসিদা সী পি আইনা পেন্দবা ফোঙদোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মণিপুরগী শকয়েং মিংশেল ওইরিবা লোক্তাক লৈজরবসু মসিগীদমক থাদরকপা শেনফম অয়াম্বা লৈঙাক পায়রিবশিং অমদি মখোয়গা নক্লবা মীওইশিংনা হৈনথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শেমগৎকদবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং মপূং ফানা শেমগৎত্রি। লৌমী কয়ানা পোথোক কয়া পুথোক্লবসু মখোয়গী শেল থুমগী ফীভম ফগৎপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা সী পি আই দিষ্ট্রিক্ট কনভেন্সন অসিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর মপূং ফানা শেমগৎনবা দিমান্দ তৌরি।

লৌমীশিংগী ঈথৈ লৌখোং শেমদুনা ঈশিং মতিক চানা পীনবা শেমগৎকদবনি। লোয়ননা লৌমীগী পোথোকশিংগী লৈঙাক্লা লেম্না কোল্ড ষ্টোরেজদা থম্বা য়ানবা লোকেল্লিটি খুদিংমক্তা ষ্টোরেজশিং শাবীগদবনি। মতম অমগী লোক্তাক দাউন ষ্ট্রিম প্রোজেক্ট অমা মপুং ফাহন্নবা খুদক্তা থবক পায়খৎকদবনি হায়না কনভেন্সন্না দিমান্দ তৌখি হায়রি।

# এ আরনা লেকচর প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী শান্তিপুর ভিলেজদা ঙসি এৱ্যেরনেস লেকচর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোগ্রাম অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শান্তিপুর ভিলেজদা ৱুমেন ইম্পাৱরমেন্টকা মরী লৈননা পাঙথোকখিবনি। হৌজিক লৈরিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম অসিদা নুপীমচা অমসুং নুপীশিংনা খুন্নাইগী দিভলপমেন্টশিংগীদমক লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা লেকচর প্রোগ্রাম অসিদা পূন্না নুপী ৫৭না শরুক য়াখি।

# খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদৌরিবা লময়ানবা ইপু খুমন্থেমগী তোপ অৱাং লৈকায় পোংলম্বীগী শঙলেন্দা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী অহল-লমন, ইমা-ইবেল ময়ামগা পূন্না খন্ন-নৈনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

খন্ন-নৈনবগী পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীয়াম্না ইপুবু তুংগী মীরোলগীদমক লাক্কদৌরিবা মীখলদা মায় পাকহন্নবা হোৎনবগী থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না য়েৎনবা লৈতনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদুগা মরী লৈননা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্কদৌরিবা ইপু খুমন্থেমনা ফোঙদোকখিবদা, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়াদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু এ সী অসিগীদমক অঙম্বা মতেং পাংগনি হায়খি। লোয়ননা থৌরম অদুদা ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মীয়ামগী য়াইফনবা লময়ানবা ইপু খুমন্থেমনা অনৌবা প্রোগ্রাম নিপাল অমগসু ঙসি হৌদোকখ্রে।

# পোষ্টেল সর্ভিসতা এপোইন্টমেন্ট পীনবগী থৌরাং লৈতে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১০ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোষ্টকী মখাদা ইম্ফালদা লৈরিবা দিরেক্টর পোষ্টেল সর্ভিসেস, মণিপুর দিভিজনগী মায়কৈদগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস (হেদক্বার্টর) এল তিকেননা থোরকখিবা চেরোল অমদা, মীওই খরনা মরন্নাইগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা পোষ্টেল সর্ভিস অসিদা কেজুয়েল পোষ্টশিংগী মখাদা রেগুলর বেসিসতা এপোইন্টমেন্ট পীগনি হায়দুনা মীয়ামদগী য়াল্লগা শেলশিং খোমগৎলে হায়বা তারে। মরম অসিনা হায়রিবা ৱাফম অসি তোকঙানি হায়বগা লোয়ননা হৌজিমক্কী ওইনা পোষ্টেল সর্ভিস অসিদা লৈরিবা ষ্টাফশিং রেগুলরাইজ তৌবা নৎত্রগা কেজুয়েল ৱর্করশিং ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবগী থৌরাংশিং অমত্তা লৈতে হায়রি।

হায়রিবা তোকঙা অসিদা মীয়াম্না থাজবীগনু হায়বগা লোয়ননা মসিগা মরী লৈননা লোয়শঙ অসিনা থৌদাং অমত্তা লৌরোই হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোকচবা



শ্রী অরবিন্দ সোসাইটি, ইম্ফালগী কুইনা মেম্বর ওইবীরম্বা ভক্ত: তৌরাংবমঁ কুলচন্দ্র সিংহ সাং উরিপোক সোরবোন থিঙেলদা লৈবনা খঙহৌদনা তাং ৮/১/২০২১ দা স্বর্গতী ওইখ্রে। মসিগা মরী লৈননা সেন্টর অসিনা মোবাইলগী মতেংনচিংবা ফাওবা লৌদুনা অথুবা মীটিং অমা তাং ৯/১/২০২১ ইংদা পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী আত্মানা ঈশ্বরগী কৃপাদগী ভক্তগী আত্মা শান্তি ওইবা ফংহনবীনবা প্রাথনা তৌমিন্নখি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ামিন্নবা হায়না য়ানখি।

ফোঙদোকচরিবা : **গুরুময়ুম ব্রজবিহারী শর্ম্মা**
সেক্রেটরি শ্রী অরবিন্দ সোসাইটি, ইম্ফাল

HL-P/8533/11

## MARKSHEET LOST

I have lost my original Marksheet of Class-X of 2014 bearing Roll No. 27106, issued by BOSEM on the way between Langthabal and M.U. on 5th January, 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Konjengbam Chinglensana Meitei**
Langthabal Lep Mayai Leikai
# 9383090964

HL-P/8535/11

## JOB FOR FRESHERS

ISO 9001:2015 Certified organisation amagidamak Imphal amasung Manipur gi major District singidamak oigadaba official Post 67 athubagi oina thabak koujari, Thabak asigidamak Class X, XII, Graduation pass toukhraba amadi tamliba student faobanasu apply toubiba yagani.

| | | |
|---|---|---|
| Age Limit | : | Below 35 yrs. |
| Income | : | Rs. 10,000/- to 37,000/- (P.M) |
| Facility | : | Fooding + Lodging Available |
| Visiting Hour | : | 12 noon to 3 pm. |

**NO DEPOSIT SYSTEM**

Apply toubiningbasingna athuba matamda ishagi Biodata ga loinana athuba matamda tanabiu.

HL-P/8538/11,13,15,19 **Contact : 9774986962, 8787501815**

## SMART TUTORIAL CENTRE

**ADMISSION OPEN**

**Revision Course 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Foundation 2021**
Class X (BOSEM)
Class XII (Science & Arts)

**Commences on 10th & 20th January 2021**

- Special fee concession for former student
- Regular mock test with analysis
- Well structured study material
- Separate hostel for boys & girls

*For details please visit* **Smart Tutorial Centre**
**Singjamei Super Market # 8730999192 / 9366048860**

HL-P/8361/28/12-26/01

## APOLLO ACADEMY

*Moulding Medical & Engineering Career*

**ADMISSION OPEN**

**2 Months Crash Course for XII/Sc. - HSE (CBSE&COHSEM), 2021**
*(Under the guidance of Experienced Teachers)*
& **SPECIAL CLASS FOR GEN. ENGLISH XII/Sc - HSE (COHSEM) - 2021**

- # Supply study materials.
- # Lodging facilities available.
- # Limited seats (Offline class only).

Office Timing : 8am-3 pm Class Timing : 5:30am-9am

LAST DATE OF FORM SUBMISSION: 9TH JAN., 2021
CLASS COMMENCEMENT : 11TH JAN., 2021 (Morning shift)

*Interested students and guardians may contact :-* APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.

HL-B/6524/29/12-11/01(alt)

## ADMISSION OPEN

**ENGLISH & RHYMES COURSES**

*For*

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

*At*

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/6604/11/12-8/01 (alt)